**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01-09-2026)**

**সিএম(এল)ঃ** মনিপুরদা বন্দ অমসুং জেনরেল ষ্ট্রাইকচিংবা তৌবীদনবা অমদি রাজ্য অসিদা শান্তি হনজিলহন্নবা হোৎনবদা মীয়াম পুন্না হোৎনমীন্নসি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা আপিল তৌরি।

ন্যু দিল্লিদা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ উন্নরুরবা মতুংদা ঙসি ইম্ফালদা হল্লকপদা মুখ্য মন্ত্রিবু ইম্ফালগী নিত্যপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট-এ. সরদা দেবী য়াওনা এম.এল.এশিং অমসুং দলগী লুচিংবা কয়ানা তরামা ওকখি।

থৌরম অদুদা মখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়-মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহগা উন্নবা অদু য়ামা তঙাইফদবা অমনি অমসুং মসিনা মনিপুরদা মীকোক থিবগী থবক য়ৈথোকহন্নবগী ৱারেপ অদু লৌরকখিবনি।

কেন্দ্রগী বি.জে.পিগী লুচিংবশিংনা মনিপুর মীয়ামগী ৱাখল্লোন অমসুং মীয়ামগী অপাম্বা নীংথিনা খঙই। রাজ্য অসিদা সরকারনা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা ফিভম পুরকবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। নেসনেল হায়ৱে হাংদোক্তুনা মহৌশাগুম গাড়ি চৎথোক চৎশিন য়াহল্লে। মসিনা মীয়ামদা এরোপ্লেন তোংদুনা শেল চংনা চৎলম্বা অদু খরমখৈদি শাফহল্লে। বন্দ অমসুং জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌবনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোকহল্লি। মসিনা নোংমগী চরা তাল্লিবা মীওইশিংনা অমুক্কা হেন্না অৱা চৈথেং পীরি। মরম অদুনা, অসিগুম্বা খোঙজংশিং হন্দোকপীদুনা রাজ্য অসিদা মহৌশাগুম শান্তি হনজিলহল্লকবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমীন্নসি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌরি।

**এনআরসি (এল)ঃ** মনিপুরদা এন.আর.সি তৌদ্রিঙৈদা মীকোক থিবা য়ারোই হায়বা দাবী তকশিনদুনা কেম্পেইন ফোর জস্ত এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে.এফ.দি) না কৌবা পুং ২৪ গী জেনরেল স্ত্রাইকনা মীয়ামগী পুনশিদা চাউনা অপনবা থোক্লে।

জেনরেল স্ত্রাইক অসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা মরুওইবা কৈথেলশিং ফমখিদে, লম্বীদা গারি চৎপগী চাং হন্থখি, স্কুল কোলেজশিং কান্নখিদে, দুকানশিং থোং লোনখি। জিলা অমগা জিলা অমগা ফাওনবা গাড়িশিং চেনখিদে। তম্পাক্কী মফম কয়াদা মীয়াম থোরক্তুনা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিল্লি।

জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিনা মরম ওইদুনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা থবক লৌখৎলি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়াল্লবা নুপীশিং থোরক্তুনা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিবু শৌগৎতুনা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনখি।

ককচিং জিলাদসু স্কুল-কলেজশিং, বেঙ্ক, ওইল পম্প অমদি ওফিসশিং থোং লোন্নখি। থৌবাল মফম কয়াদসু ষ্ট্রাইক অসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোকখি। জিরিবাম জিলাদসু ষ্ট্রাইক অসিগী মমি চাউনা তারি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা পামদবা থৌদোক থোকপগী পাউ লৈতে।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাদা ঙরাং চংশিনখিবা মীয়ামগী খোল্লাউ পুবা খোঙচৎ মায় পাকা পাঙথোকখি।

চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা লুপ ১০ না পুন্না খুৎশমদুনা চংশিনখিবা মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম ঙাকপা অমদি য়েলহৌমীশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা হায়বা খোঙজং অদুদা হকথেংননা শরুক য়াখিবা অমসুং তেংবাং পীখিবশিংবু থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অপুনবা লুপ (তকদাল) না থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** 'মনিপুরদা নোং চুবগী চাং ৱাৎলকপা' হায়বা হীরমদা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ মনিপুরগী দিরেক্তর-ডা: তৌরাংবম ব্রজাকুমার অমসুং মেট সেন্টর ইম্ফালগী সাইন্টিষ্ট (দি)-ডা: কে. অম্বেদকর অমসুং ঐখোয়গী মীহুৎ-দেবিকা চিংথামগা উন্নবগী থৌরম অমা হয়েং অয়ুক পুং ৭ তা সঙাই চেন্নেলদা শন্দোক্কনি।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী লিয়াংমৈ খুল অহুমদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা নৌনা হিংশা থোরকপদা য়ুম ৩০ রোম মৈনা তুমা চাকখ্রে। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই অমা অশোক অপন নংলে।

ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমী-ভাগুনৈ শিংশিতনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-য়ুমশিং অদু তাপোন নমশান, তাপোন নমগোং অমসুং মকুই পিপুরামদা লৈবশিংনি। থৌদোক অদুগী তুংদা, ইম্ফাল-তমেংলোং রোডতা লৈবা চলজাং ভিলেজ অমসুং লৌথাং ভিলেজ অনিগী মরক্তা কন্না নোংমৈ কাপখ্রে। নোংমৈ কাপবগী মখোল তাবদা খুঞ্জাশিং অতোপ্পা মফমদা চেনদুনা চংজফম লৌনখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা অশোক অপন অমসুং মীশি মীনাগী পাউদি ফংদে। অকুপ্পা পাউ ঙায়রি।

**চিফ(এল)ঃ** শ্রী রাজিব সিংহ ঠাকুরনা ঙসিদগী মনিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ওইনা থবক পুবা হৌরে। মহাকা হান্নগী চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়লগী মহুৎ শিল্লগনি। ডা: গোয়ল ইং কুমজা ২০২৫ গী জ়লাই ২১ দগী মনিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ওইনা ঙরাং ফাওবা থৌ পুরম্মী।

মনিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ওইনা ঙসিদগী থবক পায়বা হৌরবা শ্রী ঠাকুর, রাজস্থান কেদরগী আই.এ.এস. ওফিসারনি। মহাক, নিতি আয়োগকী এদভাইজর ওইরম্মী।

**নোং (এল)ঃ** মনিপুরদা থা অসিগী মরি ফাওবা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুগনি।

মেট দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরগী পাউনা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, ককচিং, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং কাংপোকপীদা হয়েং ফাওবা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুগনি।

উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর, ফেরজোল অমসুং জিরিবাম জিলাশিংদা থা অসিগী মরি ফাওবা অকনবা নোং চুগনি।

**মীফম (এল)ঃ** সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কমিতি ওফ মনিপুরগী ৮ শুবা চহিগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা য়ুথ হোষ্টেলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফমনা মৈতৈ-মীতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবা সরকারদা মখা তানা তকশিনবা হায়না ৱারেপ লৌখি।

**এআর (এল)ঃ** লমদম অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবগী পান্দমদা অসাম রাইফলসনা তোঙান তোঙানবা মীওইশিং উন্নদুনা খন্ন-নৈনবা অমসুং ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থবক লৌখৎলি।

অসাম রাইফলসনা ঙসি উখ্রুলগী এস.পি, নম্বোলগী সি.এস.ওশিং, মৈরা পায়বীশিং, সংসদকী সি.এস.ওশিং, হৈনৌপোক অমসুং ফৌবাকচাউগী ৱার্ড মেম্বরশিং, সঙাইথেল হায়স্কুলগী প্রিন্সিপাল অমদি মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ভিলেজ চীফশিংগা উন্নখি।

মনিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী মীওইশিং অমদি কাংলুপশিংগী মরক্তা অমগা অমগা ই-পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌনদুনা অমসুং

মতেং পাংনদুনা নুংশি চান্নবা হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা অসাম রাইফলসনা থৌরাং অসি পায়খৎপনি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলস, ইন্দিয়া আর্মি অমসুং মনিপুর পুলিস কম্মান্দোগী অপুনবা কাংবুনা হৌখিবা চয়োল অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে। সিনাম কোম অমসুং ফয়েং অপুনলোক তুরেল মপান্দা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা এস.এল.আর. রাইফল অমা, ইনসার্চ রাইফল অমা, নাইন এম.এম. করবাইন্দ অমা, নাইন এম.এম. পিষ্টোল ৯, এস.বি.বি.এল. নোংমৈ অনি, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ মঙা, দবল বেরেল নোংমৈ অমা, লেথোদ গন অমা, শেমদোক শাদোক্লবা থ্রি নোর্ট থ্রি রাইফল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ মঙা, এম.জি. ট্ মোটার সেল অমা অমদি মেগজিন য়াওনা মরু কয়ামরু ফংলে। মসিগী মথক্তা কাংবু অসিনা মন্ত্রি পুখ্রি, খাবম লমখাই, পাংগৈ বজার, চুরাচান্দপুর, হিয়াংলম, কামোং, লিশম লোক অমসুং লাংমৈদোংগী এরিয়াশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা য়ু.পি.পি. (কে)- য়ু.কে.এন.এ-য়ু.এন.এল.এফ (কে) অমসুং কে.ৱাই.কে.এলগী হকচিনবা মীওইশিংসু ফাগৎপা ঙমখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-মুকবনা সমস্যা অমত্তগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমলোই।

কিরগীস্থানগী কোনুং বিসকেটতা ঙসি পাঙথোকপা সংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী ২৬ শুবা মীফমদা শরুক য়ারদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ওর্গনাইজেসন অসিদা য়াওরিবা মেম্বর লৈবাক খুদিংমকা অমত্তা ওইনা হোৎনমীন্নদুনা টেরোরিষ্টশিংদা শেল থাদবা, মখোয়বু য়োকখৎপা অমদি অতৈ টেরোরিজমগা মরী লৈনবা থবক খুদিংমক পুন্না থেংনমীন্ননবা তঙাইফদে।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মেম্বর লৈবাকশিং পুন্না চাউখৎমীন্নবগী পান্দমদা লল্লোন

ইতিক অমদি অতৈ চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎনবা ভারতনা মতম পুম মক্তা তেংবাং পীদুনা লাক্লি। মসিনা লৈবাকশিং অসিগী নীংতম্বা অমসুং অপুনবগী শক্তম ঙাক্তুনা থম্বা ঙমগনি। সংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন সিবিলাইজেসন দাইলোগ ফোরম হৌদোক্তুনা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী ৱাফম খন্ননবা ভারতনা হৌখিবা চহিদা প্রস্তাব তৌখি। মসিগী অহানবা মীফম মমাং চহিদা ভারত্তা পাঙথোকখিবদু তশেংনা নুংঙাইবা পোকই হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা শিংথাখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারতকী শেন্মীৎলোনদা হান্নগী ফিভমদগী চাদা ৭.৮ হেনগৎলে। মসি লৈবাক অসিগী নাগরিক কোতি ১৪০ না পুন্না হোৎনমান্নবদগী ওইরকপনি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ভিদিওগী ৱারোলদা শ্রী মোদিনা হায়-মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদা হৌজিক থোক্লিবা লান অমদি কোবিদ নাইন্তিন মতমদা অৱাবা কয়া থেংনখ্রবসু হৌজিক্তি লৈবাক অসি চাউখৎপগী লমদা খোংজেল য়াংনা চংশিল্লি। ফিভম অসি কায়হন্দনা থমগে হায়রবদি অতা নিরভর ভারত ওইহনবা তঙাইফদে হায়না প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোক্লি।

**রেলৱেজঃ** ইন্দিয়ান রেলৱেজনা উত্তর প্রদেসকী মোরাদাবাদ দিভিজনগী নোংচুপ থংবা রেল লম্বী শেমগৎনবা লুপা কোতি ১৭০ কায়থোক্লে।

রেলৱে মন্ত্রালয়না হায়রি-খোঙথাং অসিনা ওটোমেটিক ত্রেন প্রোটেক্সন সিষ্টেম শিজিন্নদুনা মফম অসিগী রেল লম্বীগী সেফতি ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহল্লগনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ান রেলৱেজনা বিহারগী সমসতিপুর দিভিজনগী ষ্টেসন ২১ দা ইলেক্ত্রোনিক ইন্টরলোক্কিং শেমগৎনবা লুপা কোতি ২৩৩ কায়থোক্লে। কম্প্যুটর বেজ ওইবা সিষ্টেম অসিনা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা পেসেঞ্জরশিংদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

**সিভিকঃ** নোংচুপ বেঙ্গোলদা অনৌবা সিভিক রুলস ঙসিদগী চৎনবা হৌরে। মসিনা মীয়াম তিনবা মফমশিংদা অমোৎ অকায় লংথোকপা, মপান থোকপা অমদি অমাং অশোই তৌশিনবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎপগা লোয়ননা ফাইননচিংবা থিহনগনি। মসিগী মথক্তা শিজিন্নবা য়ারোই হায়না লাউথোকখ্রবা প্লাষ্টি বেগশিং মফম চাদনা অমোৎ অকায় লংথোকফম শেমগৎপা মীওইশিংগী মথক্তসু অকনবা থবক লৌখৎকনি।

সহরগী লমদা নুমিদাংগী মতমদা লম্বীগী নাকলদা গাড়ি খামদুনা থম্বা য়ারোই। আইননা য়াদবা মওংদা গাড়ি খামজিনবগীদমক ফাইন থিহনগদৌরি। রাজ্য সরকারনা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি রাজ্য অদুগী সহরশিংবু লুনা নান্না থমনবা অমসুং মীয়ামবু ভাব তাহন্ননবনি। থবক থৌরমশিং অসি রাজ্য অদুগী অবার্ন দিবলপমেন্ট অমসুং ম্যুনিসিপাল এফিয়ার্স দিপার্টমেন্টনা ঙসিদগী য়েংশিনবা হৌখ্রে।

**সুপ্রিম কোর্টঃ** চহি অসিগী জলাই ২০ দগী ২৫ ফাওবদা নিট পেপর লিক ৱাথোক্কা মরী লৈননা খোঙজং চংশিনখিবা মহৈরোইশিংগী মথক্তা লৌখৎখিবা এফ.আই.আরশিং হন্দোকবা সুপ্রিম কোর্টনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

হীরম অদুগা মরী লৈননা মখোয়গী মথক্তা থিজিন হুমজিনবগী থবকশিং চঞ্চবা য়ারোই হায়নসু কোর্টনা অথিংবা থমখ্রে। যন্তর মন্তরদা খোঙজং চংশিনবদা হিংশাগী থবক চঞ্চখিবা মীওই ২,৮৭৩ গী মথক্তা দিল্লি পুলিসনা থিজিন হুমজিনবগী থবক চঞ্চবদি অদুম্মক য়াগনি হায়না কোর্ট অসিনা দিল্লি পুলিসতা খঙহনখি।

**বেলজিয়মঃ** বেলজিয়মগী প্রধান মন্ত্রি বার্ট দি ৱেভর নুমিৎ হুমিগী খোঙচত্তা ভারত্তা হয়েং থুংলগনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা শ্রী ৱেভরগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগী মতাংদা ৱা খন্নগনি। শ্রী ৱেভরনা লল্লোন ইতিক্কী মতাংদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা ভারত অমসুং য়ুরোপকী ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্ট টকা মরী লৈননা ৱা ঙাংগনি।

**রনঃ** খেল্লো ইন্দিয়া স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিবলপমেন্টকী মখাদা গৃহ মন্ত্রালয় ২৩২ (এম) বটালিয়ন সি.আর.পি.এফনা শিনদুনা কিলোমিটর ১০ গী মরাথোন লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং কাংপোকপী জিলাদা পাঙথোক্কনি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতগী লমথাগনি। অদুগা কাংপোকপী জিলাগী ওইনা মোটবুংদা লৈবা প্রসিদেন্সি কলেজ গ্রাউন্দগী লমথাগনি।

মরাথোন অসিদা চহি ১৮ মথক্তা লৈবা নুপীশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

**ফুটবোলঃ** অসাম রাইফলসকী ইন্সপেক্তর জেনরেল (নোর্থ) অমসুং স্পিয়ার কোরনা শিনদুনা তরাশুবা কেপটেন (লেট) এন. কেংগুরুসি মহাবির চক্র মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬-২৭ চহি অসিগী নবেম্বর অনিদগী ১০ ফাওবা নাগালেন্দা পাঙথোক্কনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ২০ না শরুক য়াগনি।